# অমেরিকাগী মেদিসন কিজ, জুআন মার্টিন দেল পোট্রোনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা শরুক য়াররোই




লোস এঞ্জেলস/ৱিল্লিংটন, দিসেম্বর ২৪ :
কুমজা ২০১৬ কী সিজন রেঙ্কতা মালেমগী নিপানশুবদা লৈরিবা অমেরিকাগী মেদিসন কিজনা মহাক্কী খুদাংদা মাইনর ওইবা সর্জরি তৌখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াররোই।
মমাংগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান লিন্দসে দেভেনপোর্টনা কুমজা ২০১৭ কী মহাক্কী কোচ অমুক হন্না ওইরগনি হায়না লাউথোক্লদুনা ত্বিট্টরদা থাগৎখিবা ৱারোলদা মশাগী চহী ২১ শুরবী কিজনা হায়খি, ঐনা কুমজা ২০১৭ কী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা শান্নবা শেম শাদ্রে হায়না ফোংদোকখি।
মহাক্না মখা তারদুনা হায়, চহীগী অরোইবা দব্লিয়ু টি এ চেম্পিয়নশিপ লোইরবা নুমিৎ হুম্নিগী মতুংদা ঐগী ওই থংবা খুদাংদা মাইনর ওইবা অর্থোস্কোপিক সর্জরি তৌখি হায়না মহাক্না ফোংদোকখি।
মহাক্না হায়, মহাক্না ওরলান্দোগী য়ু এস টেনিস এসোসিএসন ফেসিলিটিদা কুমজা ২০১৪ অমদি কুমজা ২০১৫ দা কোচ ওইখিবা দেভেনপোর্টকা ট্রেনিং তৌমিন্নখি অদুবু অথুবদা মহাকপু হল্লকপদি পামদে। ঐনা অথুবদা হল্লক্নি অমদি অমুক হন্না লম্বাননবা ঙাইবা তৌরোই হায়না কুমজা ২০১৬ তা বিরমিনঘমদা মহাক্কী অনীশুবা কেরিয়রগী দব্লিয়ু টি এ টাইটল লৌখিবা কিজনা ফোংদোকখি।
কুমজা ২০১৭ কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসি মেলবোর্নদা জন্যুৱারী ১৬ তগী চত্থবা হৌগনি।
অমরোমদা, মশাগী ফিটনেস ওইদবদগী জুআন মার্টিন দেল পোট্রোনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা শরুক য়াররোই অমদি মহাক্কী ৱার্ম-অপ ইভেন্ট ওইনা ন্যু জিলেন্দদা শান্নবা থৌরাং তৌরি হায়না ওকলেন্দ ক্লাসিক্কী ওর্গনাইজরশিংনা লাউথোকখ্রে।
ক্লাসিক ওর্গনাইজরনা থাদো-রকখিবা চেরোল অমদা হায়, জুআন মার্টিন দেল পোট্রোনা মহাক্কী মশাগী ফিটনেস ওইদবগী মতাংদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা শরুক য়াররোই হায়না কনফার্ম তৌরে। দেল পোট্রোনা মহাক্কী সর্জরি তৌখিবা অদু মতম চানা ফগৎপা ঙম্লোইদবনা মহাক্না ক্লাসিক (ওকলেন্দ) অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা শরুক য়াররোই হায়না ৱিঠদ্রো তৌখ্রে।
মমাঙ চহীদা মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা টুর্নামেন্ট অমত্তা য়াওদনা লাকখ্রবা দেল পোট্রোনা কুমজা ২০১৬ তা রেঙ্ক ১,০৪২ দগী হৌরকখি অমদি অথুবদা মথং-মথং কাখৎলকখিদুনা ৩৮শুবা মফমদা য়ৌখি। মহাক্কী মায় পাকখিবগী লম্বীদা ষ্টান ৱাৱিঙ্কা, নোভাক জোকোভিচ, রফেল নদাল অমদি এন্দি মরেবু মায়থীবা পীখি।
ফিট ৬ কা ইঞ্চি ৬ ৱাংবা দেল পোট্রোনা কুমজা ২০০৯ গী য়ু এস ওপনগী ফাইনেলদা রোজর ফেদররবু মায়থীবা পীখি অমদি মথং চহীদা ৱর্ল্ডগী মরিশুবা মফমদা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা লৈখি। মতুংদা মহাক্কী খুদাংদা অশোকপা লৈরকখি।

# ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ না শ্রী লঙ্কাবু রন ৩৪ দা মায়থীবা পীদুনা অন্দর-১৯ এসিয়া কপ টাইটল লৌখ্রে




কলম্বো, দিসেম্বর ২৪ :
ইন্দিয়ানা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা মফম অসিদা চত্থখিবা এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিল অন্দর-১৯ এসিয়া কপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা য়ুম্বু শ্রী লঙ্কাবু রন ৩৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।
টোস ঙমখ্রবা মতুং বেট্টিং তৌনবা খনখিবা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ না ওভর ৫০ দা ৱিকেট নিপান তুরগা অপুনবা রন ২৭৩ লৌদুনা শ্রী লঙ্কাগীদমক টার্গেট রন ২৭৪ পীরমখি। মদুগী পাউখুমদা শ্রী লঙ্কাগী অন্দর-১৯ না ওভর ৪৮.৪ দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা অপুনবা রন ২৩৯ লৌদুনা ইন্দিয়াগী মখুৎতা রন ৩৪ দা মায়থীহৌখি।
ইন্দিয়াগী মতীং থোক্লবা স্পিন্নরশিংনা শ্রী লঙ্কাগী বেটসমেনশিংবু নক্নাৎখিদুনা মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।
আর প্রেমাদাসা ষ্টেদিয়মদা চত্থখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী অহানবগী বেটসমেন মঙাগী মনুংদা অখন্ননা হিমানশু রানা (৭১) অমদি শুবমান গিল্ল (৭০) না ইন্দিয়াগী অপুনবা রন লৌখিবদা য়ুম্ফম থোল্লমখি। ওপনর প্রিথভি শো (৩৯) না ক্রিজদগী মপান থোকখিবদা টিমনা রন ৬৭ লৌখি। অনীশুবা ৱিকেটতা রানা অমদি গিল্লনা রন ৮৮ অমগা হাপচিনখি।
মতুংদা স্কিপ্পর অভিশেক শর্ম্মা (২৯), মিদ্দল ওর্দর বেটসমেন সালমান খান (২৬) অমদি কম্লেশ নগারকোটি (২৩) না ইন্দিয়াগীদমক চাউনা মতেং পাঙখি।
শ্রী লঙ্কাগী অন্দর-১৯ গী পেসর নিপুন রানাসিকা (৩/৫০) অমদি লেফট আর্ম স্পিন্নর প্রাভীন জায়াৱিকক্রমা (৩/৫৩) না ৱিকেট তরুক লৌমিন্নখি।
রন ২৭৪ লৌনবা তানখৎলকখিবা শ্রী লঙ্কাগী অন্দর-১৯ গী ওপনর ভিশভা চাথুরাঙ্গা (১৩) না অহানবা ৱিকেট ওইখি। রেভেন কেল্লি (৬২) অমদি হাসিথা বোয়াগোদা (৩৭) না মখোয়গী রন অদু তানখৎলকখিদুনা অনীশুবা ৱিকেটতা রন ৭৮ দা লৈখি। স্কিপ্পর কামিন্দু মেন্দিস (৫৩) না হাফ সেঞ্চুরি লৌরমখি।
ইন্দিয়াগী স্কিপ্পর অভিশেকনা রন ৩৭ পীথোক্লগা ৱিকেট ৪, রাহুল চাহারনা রন ২২ পীথোক্লগা ৱিকেট ৩ লৌখি।

# পি ভি সিন্ধুনা মথংগী পান্দম ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা পাম্লি



মুম্বাই, দিসেম্বর ২৪ :
চৎলিবা চহী অসি মশাগী ওইনা মায় পাক্লা লোইশিল্লে হায়না লৌজরিবী রিও ওলেম্পিক গেমসগী সিলভর মেদল ৱিন্নিং শট্লর পুসারলা ভি সিন্ধুনা হৌজিক মহাক্কী মরু ওইবা পান্দমদি নুপীগী মরক্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবনি হায়না ফোংদোকখ্রে।
সিন্ধুনা পাউমীশিংদা হায়খি, চহী অসি ঐগীদি খ্বাইদগী মায় পাকপা চহীনি মরমদি ওলেম্পিক্স গেমসদা মেদল লৌবা ঙম্বা অসিমুক মায় পাকপা লৈতে। মসি মঙলান অদু তাইবঙদা থোক্লবনি। ঐনা মতম পুম্নমক্তা সুপর সেরিজ টাইটল লৌগনি হায়না ৱাখল তৌখি অমদি মদুমক চিনা ওপনগী টাইটল লৌদুনা নিংজরকপা অদু থুংবা ঙমখি। ঐগী অকক্নবা পান্দমদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা হায়বসিনি। ঐনা ঐগী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা তরুকশুবদা লৈরে, মসিগীদমক থাঙ্গৈশেংনা হরাউই। মসি মখা তানা চত্থগনি হায়না ঐনা থাজে অমদি ঐনা মখা তানা ফগৎনা চৎকনি হায়না মহাক্না ফোংদোকখি।
চহী অসিগী অরোইবা দুবাই সুপর সেরিজ ফাইনেলদা সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌখিবা সিন্ধুনা রিও গেমসদা মহাক্না সিলভর মেদল ফংখিবা অদুনা মঙোন্দা হেন্না থাজবা লৈহনবদা নত্তনা মহাক্কী পার্ফোর্মেন্সতা হেন্না মতীং হাপ্লে হায়না ফোংদোকখি।
মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়না প্রেক্টিস সেসনদা পীখিবা হার্দ ৱার্ক অদুনা অফবা মহয় ফংবনি। ওলেম্পিক্স মমাঙ অমদি মতুংদা খেন্নবা কয়া লৈ। রিওদা ফংখিবা মেদল অদুনা ঐগী থাজবা শরুক চান্মা হেঙ্গৎহল্লে অমদি মদুনা ঐবু মতম পুম্নমক্তা লম্বানবশিংদগী অহেনবা ওইনবা খন্দুনতা লৈরে। মদুনা ঐনা মাঙদা চঙশিল্লি অমদি ঐনা মশক থোক্লা শান্নবা ঙম্মী। ওলেম্পিক্স মতুংদদি অয়াম্বা প্রোফেস্নেলশিং হোংলে হায়না খল্লি অদুবু মসি মেচ অমগা অমগগী মখা পোল্লি হায়না লৌই। ঐনা কোচনা অপাম্বা অদুগী মতুং ইন্না থবক তৌবি হায়না ফোংদোকখি।
হৌজিক ঐগী ফীভম অসি লুশিল্লক্লে। অদুবু মসি ঐগীদি হৌবদা ঙাইরি হায়না ফাওই অমদি ঐনা মখা তানা কন্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি মরমদি ঐনা পুগদবা দাইত্ব অসি য়াম্না য়াম্লে। অসিগুম্বা ষ্টেজ অসিদা ঐনা য়ৌবা ঙম্বসি লাইবক ফবনি। অদুবু মসিগী লেবেল অসি ঙাক্লা থম্বদা করিগুম্বা খেন্নবা খরদি লৈরে। মসিদা অকনবা চেল্লেঞ্জ অমদি কন্না হোৎনবগী মথৌ তারে হায়না মশাগী চহী ২১ শুরবী হায়দ্রবাদি অসিনা ফোংদোকখি।

# কর্ণাটিকানা ট্রেক সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ্তা অনৌবা রেকোর্দ অহুম থমখ্রে



টিরুভনান্থপুরম, দিসেম্বর ২৪ :
কর্ণাটকানা মফম অসিদা চত্থরিবা ৬৯শুবা সেনিয়র, ৪৬শুবা জুনিয়র অমদি ৩২শুবা সব-জুনিয়র নেসনল ট্রেক সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপকী হুম্নি চনবা ইরাই নুমিৎতা গোল্ড মেদল অহুম লৌবা ঙমদুনা পোইন্ট ২০ ফংখিবগা লোয়নননা পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা মফম কনখ্রে।
কেরলানা পোইন্ট ৪২ ফংদুনা মখা তনা মাঙজিল থানা চৎলি অদুগা মণিপুরনা পোইন্ট ৩০ ফংদুনা মতুং ইন্নরি।
কর্ণাটকাগী রাজু বাটিনা নুপামচাগী অন্দর-১৮ কেটগোরিগী মিটর ৩০০০ গী ইন্দিভিজুয়েল পর্স্যুট ইভেন্টতা জগাদীপ সিংহনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি। রাজুনা ৩:৪৪.৯৪৫ সেকেন্দ য়াংনা থৌদুনা কুমজা ২০০7 তা ৩:৪৭.৪৭৮ সেকেন্দদা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খিবনি। মহারাষ্ট্রগী সচিন দেসাইনা সেকেন্দ অমদি রাজস্থানগী দেভ কিষন সারননা থার্দ তাখি।
নুপীমচাগী অন্দর-১৬ কী মিটর ২০০০ গী ইন্দিভিজুয়েল পার্স্যুটতা কর্ণাটকাগী দানম্মা চিনাখান্দিনা কেজিয়া ভার্ঘিজানা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খি। দানাম্মানা ২:৫২.৮৬৬ সেকেন্দ য়াংনা থৌদুনা কেজিয়ানা ২:৫৭.৩১০ সেকেন্দদা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মধ্য প্রদেশকী এন অনিথানা সেকেন্দ অমদি আসামগী ৱিষ্টি কোংকোনা গোগোইনা থার্দ তাখি।
কর্ণাটকাগী ভেঙ্কাপ্পা কেঙ্গালাগুত্তিনা নুপামচাগী অন্দর-১৬ কী মিটর ২০০০ গী ইন্দিভিজুয়েল পার্স্যুটতা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা সচিন দেসাইগী রেকোর্দ থুগায়খি। ভেঙ্কাপ্পানা ২:২৮.৭২৫ সেকেন্দ য়াংনা থৌদুনা কুমজা ২০১৫ দা সচিন দেসাইনা ২:৩১.২০৭ সেকেন্দদা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি। পঞ্জাবকী নিমান কাসিলনা সেকেন্দ অমদি রাজস্থানগী মান্ন সিংহ চান্দিনা থার্দ তাখি।
এসিয়া কপকী গোল্ড মেদলিষ্ট অমরিটা রেঘুনাথনা নুপীমচাগী অন্দর-১৮ গী মিটর ২০০০ গী ইন্দিভিজুয়েল পার্স্যুটতা অনৌবা মিট রেকোর্দ থমখি। য়ুম্নুগী অমরিটানা ২:৪৬.৯৩৫ সেকেন্দ য়াংনা থৌদুনা কুমজা ২০১৩ দা মণিপুরগী বিদ্যালক্ষ্মীনা ২:৫২.০৭৪ সেকেন্দদা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খি। কর্ণাটকাগী মেঘা গুগাদনা সেকেন্দ তাখি।
নুপাগী মিটর ৪০০০ গী ইন্দিভিজুয়েল পার্স্যুইটতা এস এস সি বিগী মঞ্জিৎ সিংহনা ৪:৫৬.৭২৫ সেকেন্দ থৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। আর এস পি বিগী মনোহার লালনা সেকেন্দ অমদি এস এস সি বিগী পি আর বিসনোইনা থার্দ তাখি।
নুপামচাগী অন্দর-১৪ গী মিটর ২০০০ গী ইন্দিভিজুয়েল পার্স্যুইটতা রাজস্থানগী মান্ন সিংহ চান্দিনা ২:৩৪.২০৪ সেকেন্দ য়াংনা থৌদুনা মমাঙ চহীদা মশানা ২:৩৬.২২৫ সেকেন্দ থৌদুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খি। মণিপুরগী এলাংবম লানচেনবনা সেকেন্দ অমদি মণিপুরগী রোনাল্ডো লাইতোঞ্জমনা থার্দ তাখি।
নুপীমচাগী অন্দর-১৪ গী মিটর ২০০০ গী ইন্দিভিজুয়েল পার্স্যুইটতা মহারাষ্ট্রগী প্রিয়াঙ্কা জাঘভনা ৩:০১.৯০১ য়াংনা থৌদুনা রেকোর্দ থমখি। কেরলাগী এম অনাঘানা সেকেন্দ অমদি আসামগী চায়ানিকা গোগোইনা অহুমশুবা তাখি।

# গুরপ্রীট সিংহনা মিটর ২৫ গী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টলদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



পুনে, দিসেম্বর ২৪ : আর্মিগী গুরপ্রীট সিংহনা মফম অসিগী বালেৱাদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চত্থরিবা ৬০শুবা নেসনল শুটিং চেম্পিয়নশিপকী কম্পিটিটর ১০০ না শরুক য়াখিবা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখিদুনা নুপাগী মিটর ২৫ গী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টল ইভেন্টতা মায় পাকখি।
ইভেন্ট অসি ওলেম্পিক প্রোগ্রামদা য়াওখিদবদগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদগী মেদল ৱিন্নরশিং খনখি। চপ মান্নবা ইভেন্টতা ইন্টরনেসনল মীট কয়াদা ৱিন্নর ওইখ্রবা সি আই এস এফকী সামারেশ জুংবু কেরলাগী থোমাস জোর্জনা ইন্নর-রিং-হিটতা রেকোর্দ থমখিদুনা মাপনশুবা মফমদা ইন্থরমখি। সিভিলিয়ন কেটগোরিগী টোপ থ্রি পোজিসনদা হরিয়ানাগী অদৈথেয়া জোহাল, পঞ্জাবকী অচাল প্রাটাপ গ্রেৱান অমদি কেরলাগী থোমাস জোর্জনা লৈখি।
মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টল ইভেন্টকী জুনিয়র মেন'স ফাইনেলদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী পঙ্কাজ যাদভনা গোল্ড মেদল লৌখি। পঞ্জাবকী অনহাদ জৱান্দা অমদি হরিয়ানাগী অনিশনা মথং মনাওদা লৈখি।
নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা জুনিয়র অমদি সেনিয়র মেনগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসন অমদি গ্রুপ অহুমগী মিটর ১০ গী পিষ্টল ফাইনেল পুন্না ফাইনেল মঙা পাঙথোক্লগা লোইশিনগনি।
মিটর ২৫ গী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টলদা আর্মিগী গুরপ্রীট সিংহনা পোইন্ট ৫৭৭ লৌদুনা গোল্ড, রাজস্থানগী মহাভীর সিংহনা পোইন্ট ৫৭১ লৌদুনা অনীশুবা, হরিয়ানাগী অদৈথেয়া জোহালনা পোইন্ট ৫৬৬/১৪ লৌদুনা অহুমশুবা তাখি।

# ভিকাস কৃষন, সৱিটি বোরানা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী রেঙ্কিংদা মরিশুবা অমসুং অনীশুবদা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৪ :
এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা ভিকাস কৃষন অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট সৱিটি বোরানা ইনৌ নৌনা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) না থোকখিবা রেঙ্কিংদা মথংশিংনা মরিশুবা অমদি অনীশুবা মফমদা লৈদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংবা নুপা অমদি নুপী বোক্সর ওইরে।
হন্দক্তা পাঙথোকখিবা আইবাগী ৭০শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা আইবা প্রো বোক্সিং (এ পি বি) বেষ্ট বোক্সর ওফ দ ইয়র ২০১৬ কী মনা ফংখিবা ভিকাস কৃষননা অপুনবা পোইন্ট ১৩৫০ ফংদুনা কেজি ৭৫ কাঙলুপ্তা মরিশুবা মফম কনখি। চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ভিকাসনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবনি।
আসামগী শিভ থাপানা কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা ৭শুবা মফম কন্দুনা ভিকাসকী হেক মথংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা নুপা বোক্সর ওইরি। হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা কেজি ৬০ গী লাইটৱেঠ কাঙলুপ্তা ওনখৎখ্রবা হান্নগী এসিয়ন চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট থাপানা অপুনবা পোইন্ট ৯৫০ ফংদুনা লৈরি।
রিও ওলেম্পিক্সতা চয়েৎনবা থৌওংদা মায়থীখ্রবা মতুং প্রোফেস্নেল ওনখ্রবা আইয়রলেন্দগী মাইকেল কোনলাননা য়াম্না অঙকপা মওংদা বেন্টমৱেঠ কাঙলুপকী মকোক থোংবা মফমদা লৈখি।
হন্দক্ত কেজি ৫২ গী ফ্লাইৱেঠদগী দিভিজনদা ওনখৎখ্রবা মণিপুরগী লাইশ্রম দেবেন্দ্রোনা কেজি ৪৯ গী লাইট ফ্লাইৱেঠ কাঙলুপ্তা ২৭শুবা মফমদা লৈখ্রে অদুগা কেজি ৬৯ গী ৱেল্টৱেঠ কাঙলুপ্তা ওনখৎখ্রবা হান্নগী কম্মনৱেল্থ গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট মনোজ কুমারনা কেজি ৬৪ গী লাইট ৱেল্টৱেঠতা ৩৬শুবা রেঙ্কতা লৈখি।
নুপীগীদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট সাৱিটি বোরানা কেজি ৮১ গী কাঙলুপ্তা অপুনবা পোইন্ট ১৫০০ গা লোয়ননা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈখি অদুগা মণিপুরগী শমজেৎশাবম সর্জুবালানা কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈখি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট সোনিয়া লেদরসু কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা অমদি নিখট জারিননা কেজি ৫৪ গী কাঙলুপ্তা ১৬শুবা মফম লৈবা ঙমখি।
মঙারক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবদা নত্তনা মেগনিফিসেন্ট মেরি হায়না মিংথোলসু পীখ্রবী মণিপুরগী এম সি মেরি কোমদি চহী অসিগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা য়াম্না ঙান্না মায়থীদুনা মপান থোকখিবদগী কেজি ৫১ গী ফ্লাইৱেঠ কাঙলুপ্তা মহাক্কী মফম কনবা ঙমখিদ্রে।
পনবা য়াই, হৌজিক রাজ্য সভাগী এম পি ওইরিবী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা হন্দক্তা কুমজা ২০২০ গী জপান ওলেম্পিক্স গেমসগী য়েংলগা লাইট ফ্লাইৱেঠ কাঙলুপ্তা অমুক হন্না শান্নবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।


ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Only25 Seats per class (each section)
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL &ENGINEERING COURSE (2017)
COHSEM | The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts | CBSE
Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc.
Class xii Sc./Arts (COSEM) 22nd Dec. 2016
Class xii Sc./Arts(CBSE) 22nd Dec.
Class x-SA II 21st Dec.
Special RevisionX &foundationCourse for ix,x
Early morning batch 6am to 10am (25 seats)
Late morning batch(25) 10.30am to 2.30pm
Early evening batch 3pm to 7pm (25 seats)
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105
starting from 21st,23rd Dec.
HL-B/3529/9/12-7/01



ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 15th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm
Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd Dec. 2016 Limited Seat

TOPPERS of 2016
1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh

TOPPERS of 2015
2nd Position . Gopal Krishna
3rd Position Ng. Victoria
4th Position S.Shivaranjani
7th Position RK. Babysana
9th Position Ksh. Monica
11th Position Thangminlal H.
20th Position Bilson Oinam
21st Position Gita E.
21st Position S. Saya Devi
22nd Position N. Nonibala
23rd Position Jasmine H.

TOPPERS of 2014
3rd Position Luhiya Ng.
6th Position Neera S.
9th Position Khoneesh N.
9th Position Harison Y.
12th Position KAILASH KUMAR N.
13th Position L. DENILSON
16th Position KH. PRAVIN
18th Position BONNIE W.
20th Position KELVIN M.
21st Position MALEMNGANBA
23rd Position INDERKUMAR

TOPPERS of 2013
1st Position Miranda M.
3rd Position Ratimanjuri
5th Position Miranda O
6th Position Sydeny Th.
14th Position VIVEK A.
15th Position REMA N.
16th Position SADA SALAM
16th Position CHITRA KH.
22nd Position BIDYALUXMI
24th Position JAYALUXMI
24th Position PRESCILA RK.

SUBJECT TOPPERS 2016
Mathematics
1) Chetanna
2) Vasundhara
3) Sindia
4) Sohana
4) Wosoron
5) Yaisana
Hr. Mathematics
1) Ningthem
2) Sohana
3) Wosoron
4) Yaisana
Computer Sc.
1) Chetanna
2) Jyotsana
Manipuri
1) Sohana
El. Manipuri
1) Wosoron

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
9402897710
8732022342
HL-B/3471/29N, 1-31D, 2-16Jan. '17(Alt.)